ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯰꯷, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯱꯲ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

**হুইয়েন লানপাউ**

য়ূমশকৈশা, এপ্রিল ০৭, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ০১২শুবা মশীং

## ম্যান্মারদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম

### য়ুম্লোন্নরিবা লৈবাকশিংদা চরাংনবা থোকহল্লকপা য়াবগী ফীভম লাকপা

ম্যান্মারদা মিলিটরি কূ তৌদুনা লৈঙাক চুপ্লি পায়শিনখ্রবা মতুংদা হৌরকপা মীয়ামগী ঈহৌ নমথনবা হোৎনবদা অঙাংশিং য়াওনা মীওই ৫৬০ হেন্না শিখ্রে। ফেব্রুৱারী ১দা মিলিটরি কূ তৌখ্রবা মতুংদা থাদোরকপা এসিষ্টেন্ট এসোসিএসন ফোর পোলিটিকেল প্রিজনরস (এ এ পি পি)গী রিপোর্টনা হায়, কম্যুনিকেসন সিষ্টম কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরিবা মিলিটরি দিক্টেটরশিংনা লৈবাক অদুগী ৱায়রলেস ইন্টরনেট সর্ভিস থিংজিনখ্রে। দিমোক্রেসি শৌগৎতুনা কূগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীওইশিংবু মিলিটরি জুন্টানা ওৎ নৈবগী থৌওং চথুরে হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা হ্যুমেন রাইটস ৱাটচ (ঐচ আর দব্লিয়ু)না হায়, ম্যান্মারদা মিলিটরি কূ তৌখ্রবা মতুংদা পোলিটিসিয়ন, ইলেক্সন ওফিসল, জর্নেলিষ্ট, এক্টিভিষ্ট অমসুং প্রোটেষ্টরশিং য়াওনা মীওই চা কয়া মফম খঙদনা মাঙহনখ্রে। অতোপ্পা মীওই লিশিং কয়ামরুম ফাজিন্দুনা থল্লি। ইন্টরনেসনল এফ্যেরস নৈনবশিংগী মোৎ মতুংইন্না ম্যান্মারদা মালেমগী অতৈ অতোপ্পা লৈবাকশিং, মরুওইনা এসোসিয়েসন ফোর সাউথ-ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (আসিয়ন)গী মেম্বর লৈবাকশিংনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহৌদ্রবদি য়ুম্লোন্নরিবা অতৈ লৈবাকশিংদসু চরাংনবা থোকহল্লকপা য়াই। ম্যান্মারদা মীখল পাঙথোক্তুনা লৈঙাক পায়খিবা ওং সান সু চিগী পার্টিবু মিলিটরি জুন্টানা নমথখ্রবা মতুংদা লৈবাক অদুগী মীওই চা কয়া চাইনা, থাইলেন্দ, বাংলাদেশ অমসুং ইন্দিয়ানচিংবা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা চেন্থোরকপগী পাউ তাবা ফংলি। মিলিটরি জুন্টানা মীচম-মীয়ামগী মথক্তা নোংথক্তগী এটেক চথখ্রবা মতুংদা ম্যান্মারিজ লিশিং কয়ামরুম থাইলেন্দদা চেনশিল্লকখিবগী রিপোর্ট লৈরি। মতুং তারকপদসু মীওই লিশিং-চা কয়া য়ুম্লোন্নরিবা লৈবাকশিংদা চেনশিল্লকপা য়াই হায়না থাজনরি। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ম্যান্মারদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি। ম্যান্মারবু চৈরাক পীবগী মওংদা মখল কয়াগী অথিংবা থমজিনবমক নৎত্রগসু লৈবাক অদুগী ৱাথোক লোইশিলহন্নবা হোৎনবদা আসিয়ন লৈবাকশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌবা হায়বসি য়ু এনগী অপান্বনি।

হীরম অসিগী মতাংদা নোংচুপ লৈবাকশিং অমসুং আসিয়ন লৈবাকশিংগী মরক্তা মোৎ খেন্নবগী মওং অমা উবা ফংলি। খুদম ওইনা হায়রবদা নোংচুপ লৈবাকশিংনা ম্যান্মারগী মিলিটরিবু টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন ওইনা লাউথোকহন্নিংবগুম তৌরি। আসিয়ন লৈবাকশিংনদি ম্যান্মারদা থোক্লিবা থৌদোক অসি লৈবাক মনুংগী ওইবা ৱাথোক্লি হায়না লৌরি। আসিয়নগী চার্টরদা য়াবা প্রিন্সিপলশিংনা মরম ওইরগা ভিয়েটনাম, থাইলেন্দ, কম্বোদিয়া অমসুং লাওসনা ম্যান্মারগী মিলিটরি কূ অসিগী মতাংদা করিগুম্বা মখলগী মোৎ অমত্তা পীরক্তবনি হায়না লৌবা য়াই। আসিয়নগী চার্টরদা য়াওরিবা খ্বাইদগী মরুওইবা ৱাফমদি লৈবাক অমনা অতোপ্পা লৈবাক অমগী থবক-থৌরমদা খুৎ থিংজিন্দবা হায়বসিনি। অদুম ওইনমক অতোপ্পা লৈবাক্কী থবক থৌরমদা খুৎ থিংজিন্দবা তারবসু দিমোক্রেসি ঈকায় খুম্নবগা লোয়নন্না অফবা লৈহনবা অমসুং মীচম মীয়ামদা ফন্দামেন্টেল রাইট ফংহন্নবা হোৎনবগী মতাংদা আসিয়নগী মেম্বর লৈবাকশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌফম থোকই। আসিয়নগী মেম্বর লৈবাকশিংদি ব্রুনৈ, কম্বোদিয়া, ইন্দোনেসিয়া, লাওস, মলেসিয়া, ম্যান্মার, ফিলিপিন্স, সিঙ্গাপোর, থাইলেন্দ অমসুং ভিএটনামনি। সাউথ এসিয়ন এসোসিএসন ফোর রিজনেল কোওপরেসন (সার্ক)গী মেম্বর লৈবাকশিংনা অফঘানিষ্টান, বাংলাদেশ, ভুটান, ইন্দিয়া, মালদিভস, নেপাল, পাকিষ্টান অমসুং শ্রীলঙ্কানি। বে ওফ বেঙ্গল ইনিসিয়েটিভ ফোর মল্টি-সেক্টোরেল টেক্নিকেল এন্দ ইকনমিক কোওপরেসন (বিমষ্টেক)দা য়াওরিবা লৈবাকশিংনা বাংলাদেশ, ইন্দিয়া, শ্রীলঙ্কা, ম্যান্মার অমসুং থাইলেন্দনি। লৈবাক অমনা অৱাবা তারক্লবা মতমদা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংনা তুমীন্না য়েংলগা লৈথোকপা চুমদে। ম্যান্মারগা খ্বাইদগী নক্লবা য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অমা ওইরিবা ইন্দিয়াসু হৌজিক তুমীন্না লৈথোকপগী মহুৎতা মিলিটরিনা লৈঙাক পায়শিনখ্রবা ম্যান্মারদা ঈং-তপ্পা ফীভম হঞ্জিলহন্নবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌফম থোকই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৫

১) "চীংয়া তময়া" (অহানবা ফোঙবা, ১৯৫৫) হায়বসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

২) "মেঘনাদবদ-কাব্য (সম্পূর্ণ)" হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকখি?

৩) "খম্বা থোইবী পুন্সি ৱারী অনীশুবা শরুক" হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?

৪) নিংথৌ "থাংয়ি তাওবুং খোংদৌবদগীনা য়োইকামু অতোনবা ফাওবগী মরমদা ইবা লাইরিক" অদু করি লাইরিকনো?

৫) "ঐদি আত্মাগী কন্সেপ্টতা থাজবা ঙমদ্রি; ঈশ্বরবু থাজবা ঙমদ্রি। ঐগী মাঙদা থোঙ অহুম লৈরে - আত্মা, ঈশ্বর অমসুং প্রকৃতি। থোঙ অনীদি হৌজিকসু লোল্লি অমদি হাংলে - অদুবু থোঙজিন কানশিল্লগা মনুং য়ৌশিনবদি ঙমদ্রি হাংলিবা থোঙ অসিসু।" কবি কনাগী ৱাহৈনো অমসুং কদাইদা য়াওখিবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# উবু মরোমদোম তুমজবা ঙম্বা বাইওপ্লাষ্টিক শাবদা শীজিন্নবা

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম



য়ুতান য়াও



লিয়াংবিং হু



তুমদবা প্লাষ্টিকনা সমুদ্রগী তোর্বানবু মোৎহনবগী শক্তম

কুমজা ১৯৫০গী মতমদগী ২০১৮ ফাওবদা প্লাষ্টিক টন বিলিয়ন ৬.৩ মালেমদা পুথোকখ্রে হায়না পানৈ। মখোয়সিগী মনুংদগী ৯%না রিসাইক্ল তৌখি অদুগা ১২% অমনা মৈ থাদোকখি। কুমজা ২০২০গী ওইনদি, মালেমদা পুথোকখিবা প্লাষ্টিক্না, ঈশিং অমসুং কংফাল অনীমক্তা লৈরিবা জীবশিংদগী অমাংবা ওইনা থাদোরকখিবা বাইওমাসতগী য়াম্বা হেনখি হায়না পানখি। অসিগুম্বা প্লাষ্টিকশিংসিনা ঈশিং অমসুং কংফাল অনীমকপু য়াম্না মোৎহল্লি। ঈশিংদা চাক্তবা উচেকশিংগী ৯০%গী হকচাংশিংদা প্লাষ্টিক্কী অরেম-অখাকশিং য়াওই হায়না লম্‌সিদা থিজিল্লুবশিংনা ফোঙদোক্লি। শীজিন্নবদা য়াম্নমক খুদোংচাবা লৈরবসু, প্লাষ্টিক্কী তুমগন্দবা মগুনসিনা প্লাষ্টিক শীজিন্নবগী ফত্তবা মহয়শিংনা অকোয়বগী ফীভম অমসুং ঐখোয়গী হকশেলদা খুদোংচাদবা কয়ামুক মায়োক্নহল্লি। অদুনা মহৌশাগী ওইবা থৌওংনা তুমজখিবা ঙম্বা প্লাষ্টিকশিং নৎত্রগা বাইওপ্লাষ্টিকশিং পুথোকপগী তঙাইফদবা ওইরক্লি।

য়েল স্কুল ওফ দ ইনভাইরনমেন্ট (ৱাই এস ই) কী প্রোফেসর য়ুঅন য়াও অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ মেরিলেন্দগী সেন্টর ফোর মেটরিএল ইন্নোভেসনগী প্রোফেসর লিয়াংবিং হুনা লুচিংবা থিজিন-লূপ অমনা উগী পোথোকশিংদগী মহৌশাগী থৌওংনা তুমহনবা ঙম্বা বাইওপ্লাষ্টিক মখল অমা পুথোক্লে হায়রি। হৌজিক ঐখোয়না শীজিন্নরিবা প্লাষ্টিকশিংসি মপূং ওইনা পেট্রোলিয়মদগী শুংই। প্লাষ্টিক পুথোকপগী থৌওংশিংদগী হু ওইবা কেমিকেলশিংসু থাদোরকই। মসিনা অকোয়বগী ফীভমদা হেন্নমুক শোকহল্লি। অদুনা হেন্না শাফবা অমসুং মরোমদোম তুমজবা ঙম্বা প্লাষ্টিকশিং পুথোক্নবগী থবকসি থিজিল্লোইশিংনা পায়খৎলক্লি।

'নেচর সষ্টেনেবিলিটি' দা ফোঙদোকখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না, ৱাই এস ইগী য়ুঅন য়াওগী লমজিং মখাদা মহৌশাদা ফংলিবা উগী পোরস মেট্রিক্সপু নং নং লাওবা মহী অমগী মওংদা ওন্থোকই। অসিগুম্বা মেটরিএল অসিগী মেকানিকেল ষ্ট্রেংথ ৱাংই, ঈশিং হাপ্পদা ফীভম কাইদনা অদুম লৈ অদুগা অলত্রা-ভাইওলেট মঙালদগীসু ঙম্মী। মসি ইরায় লায়না রিসাইক্ল তৌবা ঙম্বতা নত্তনা মরোমদোম তুমজবসু ঙম্মী। বাইওপ্লাষ্টিক মখলসি পেট্রোলিয়ম অমসুং অতৈ মরোমদোম তুমজবা প্লাষ্টিকশিংদগী হেন্না শাফবা ওই হায়নসু পাউদম অদুনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

উগী মিলশিং অমসুং উ শূরিবশিংনা উ ককপা, খাইবা মতমদা উকুপ ময়াম অমা পুথোরকই। অসিগুম্বা উকুপ অসি অয়াম্বা মতমদা অরেম্বা ওইনা হুন্দোকনৈ। অদুবু থিজিন-লূপ অসিনা অদুগুম্বা উকুপশিংদু শীজিন্নরগা প্লাষ্টিক মখলসি শুংবনি। মসিগীদমক, মরোমদোম তুমজবা ঙম্বা অমসুং রিসাইক্ল তৌবা য়াবা 'দীপ য়ুতেক্টিক সোলভেন্ট' (দি ই এস) অমগা পুল্লগা উকুপশিংদুগী পোরস ওইবা মগুন্দু মাঙহল্লি। অসুম্না ফংলকপা য়ানশিন-পোৎ অসিদা অমুক হন্না শেমগৎলকপা লিগনিন অমসুং সেলুলোস মাইক্রো/নানোফিব্রিলশিংগী মরক্তা নানোস্কেলদা হায়দ্রোজেন বোন্দিং য়াওই। অদুনা ভিস্কোসিটি ৱাংই অমসুং প্লাষ্টিক অমগী মওংদা শেমদোকপা য়াই হায়রি।

য়াওনা হৌজিক শীজিন্নরিবা প্লাষ্টিকশিংগা চাংদম্নরগা বাইওপ্লাষ্টিক অসিগী মগুনশিং অমসুং মসিনা অকোয়বগী ফীভমদা করি পীরকপগে হায়না চাং য়েংখি। বাইওপ্লাষ্টিক অসি লৈবাক মনুংদা ফুমজিন্দুনা থম্বদা, চয়োল অনীগী মতুংদা কায়থরকপা হৌরগা, থা অহুমগী মতুংদদি মপূং ফানা তুমখিবা থেংনরম্মী। অতোপ্পা অমরোমদনা, মেকানিকেল ষ্টেরিং তৌরগা নং নং লাওবা মহিদা অমুক ওন্থোকপসু য়াই; মসিনা দি ঈ এসপু অমুক হন্না ফংহনবা ঙম্মী। থৌওংসিনা রিসাইক্ল তৌবদা হেন্না লাইহল্লি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ মেরিলেন্দগী সেন্টর ফোর মেটরিএল ইন্নোভেসনগী প্রোফেসর, লিয়াংবিং হুনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না মখোয়গী বাইওপ্লাষ্টিক অসিগী শীজিন্নফম কয়ামুক লৈগনি হায়রি। মসি পোলিথিনগুম্না অপাবা খাউশিং শাদুনা পোৎ চৈ য়োমথোক-য়োমশিন তৌবসু য়াই। অদুনা, হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না শীজিন্নরিবা, অকোয়ববু মোৎহল্লিবা তুম্বা ঙমদবা প্লাষ্টিকশিংগী মহুৎ শিনবা ঙমহল্লগনি। অতোপ্পা অমরোমদনা, বাইওপ্লাষ্টিক অসি ওটোমোবাইলগী পোৎশিং শাবদসু শীজিন্নবা য়াগনি হায়রি।

উদগী বাইওপ্লাষ্টিক শুংবগী থবক অসিগী পামদবা মায়থোঙ অমদি লৈরি। করিগুম্বা উদগী বাইওপ্লাষ্টিক শুংবগী থবক অসিনা পাক-শন্না পায়খৎলকপা তারবদি, উমংগী ফীভমদা অকায়বা পীরকপা য়াই। হৌজিক্কী ওইনদি হোরাই-মকুপ, মিলশিংদগী থাদোরকপা অরেমখাক্না শাবনিনা থোইদোক্না মীপাইনীংঙাই ওইদ্রি, অদুবু লার্জ-স্কেলদা পায়খৎলকপা মতমদদি অচৌবা অয়েৎ-অপন অমা ওইরবা য়ারিবনি। অদুনা থিজিন-লূপ অসিনা উমংশিংগী গ্রোথ-সাইকলগা প্লাষ্টিক শুংবগী থৌওংসিগা মরী লৈনবা, 'ফোরেষ্ট সিমুলেসন মোদেলশিং' শেম্নবগীদমক ফোরেষ্ট ইকোলোজিষ্ট অমগা খূৎশম্না থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। অতোপ্পা অমরোমদনা, ৱাই এস ঈদা উমংগা মরী লৈনবা লমশিংদা থবক তৌরিবা মীশিংগসু পুনশিন্ননবগী থৌরাং তৌরি হায়না পাউদম অসিনা হায়রি। ●

# পেরিস ওলিম্পিক্স অমসুং শগোল কাংজৈ

- লৈশাংথেম অজিৎ -

শান্নরোয়েশিংনা মশা মশানা পামজরিবা মশান্নশিংদা মায় পাক্লবা মখল মখলগী পারাশিং ওজাশিংনা তাকপীদুনা মখোয়না হন্না হন্না প্রেক্টিস তৌদুনা মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থীবা পীনবা হোৎনৈ। শান্নরোয়শিংগী অফবা মতিক মগুনশিং পূম্নমক মপূং ফানা থাবা ঙল্লোই। অদুবু তমজনীংঙাই ওইবা খরদি পুকচেল শেংবা, থকসি-খাসি ঙাকপা অমদি কৎথোকপগী পুকচেল চেনবনি। অসিগুম্বা মগুনশিং অসিনা য়ূম্ফম ওইরগা মখোয় অসি অখাং কল্লি, থবক তৌবদা নিংহন্নদে, হোৎনবা কল্লি, মরৈবাক নীংই, মশাদা হৈনীংবা ফাওই, লীচৎ ফজৈ, লুচিংবা ওইবগী মগুন লৈ অমসুং থবক পূন্না তৌমিন্নবা হায়বদি টিম ৱর্ক তৌমিন্নবদা শরুক য়াদুনা মাঙজিল থাবা নুপা অমগী পুকচেল চেল্লি।

মখোয়গী মতিক মগুনশিং থাদুনা ইবা লাইরিকশিং ঐখোয়না উবা অমদি পাবা ফংনরি। খুদম অমা ওইনা কুমজা ১৮১৫দা য়ুরোপ্তা ফ্রান্সকী নিংথৌরেল নেপোলিয়নগী লান্মীগা ইংলেন্দগী লান্মীগা বেলজিয়মগী 'ৱাতরলু' কৌবা মফমদা লান শোক্লখিবদা শরুক য়াখিবা ইংলিস অমসুং আইরিসকী ওফিসরশিং অয়াম্বা ইতন পব্লিক স্কুলদা মহৈ তম্লকপা মহৈরোয়শিংনি। কুমজা ১৪৪০-৪১দা লিংখৎখিবা মহৈরোয় অমদি ওজাশিং পূন্না লৈমিন্নবা রেসিদেন্সিএল স্কুল অদুগী মহৈরোয়শিংদা লাইরিক লাইশু তম্বীবা খক্তা নত্তনা মখল মখা অয়াম্বা থৌরমশিংদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবসু পীরম্মী। থৌরমশিং অদুগী মনুংদা শান্ন-খোৎনবসু অমা ওইরম্মী। মরম অদুনা স্কুল অদুগী পাক চাউবা শান্নফমশিং অদুদা মহৈরোয়শিং অদুবু মখল মখা অয়াম্বা মশান্নশিং শান্নহন্দুনা মপূক্লিং থৌগৎহল্লম্মী। অসিগুম্বা মখলগী মহৈ তম্ফমশঙ অসিগী শান্নবুংদা তম্লকপা পারাশিং হায়বদি লুচিংবা অমা ওইবগী মগুন, লুচিংবনা হায়বা ইনবা, পূন্না অমত্তা ওইনা পুকচেল তিন্ননা থবক তৌমিন্নবা, কৎথোকপা, মরৈবাক নীংবগী ৱাখল অমসুং নীংহন্নদবনচিংবা শান্নরোয় অমদা লৈবা মগুন খুদিংমক অসি লানফমদা থবক ওইনা পাঙথোকপদা মায় পাকখি।

মণিপুর অসি অপিকপা নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইজরম্লবসু অৱা (বর্ম্মা), খাসি, কছার অমসুং অসামগী অহোমনচিংবা য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিংনা লান তারকপদা মখোয়না খুদুম চনবা ঙমখিদে। মসিগী মরমদি মণিপুরগী মশান্নশিং অসিগী মতেংননি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা মশান্নশিংগী মনুংদা য়েক্লবা য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিংনা লান তারকপদা মখোয়বু লায়না মায়থীবা পীদুনা নীংহন্নখিবশিংগী মরমদি অয়াম্বনা মুক্না, শরিৎ-শরাক, থাঙ-তা, হিয়াং তান্নবনচিংবা মশান্নশিং অসিসু অমনি। অদুবু মণিপুরগী শগোলনা লান্মীশিংগী মরু ওইবা থৌদাংসু চাউনা লৈখি।

মালেম অসিগী চাওখৎপা লৈবাকশিংদা মরু ওইনা নোংচুপলোমগী লমদমদা খুন্দারিবা নুপা-নুপীশিংনা হকচাং ফনা লৈনবা, অথোই অহেন তান্নবদা শরুক য়ানবা অমদি থৱায়না শান্নববু পামজদুনা মপূক্লিং পেন্থোক্লবা শান্ন-খোৎনবদা শরুক য়াই। অদুনা হৌজিক্কী মতমদা লৈবাক অমগী চাওখৎ খোঙথাং অসি শান্নবনা তাকই, শান্নবদগী খঙবা ঙম্মী। থকসি-খাসি ঙাক্লা চৎপা, মরৈবাক নীংবা, তমজনীংঙাই ওইবা মশাগী অমদি মরমদমগী মনাৎ অমসুং শান্নবদা থাক ৱাংবা, ৱায়েল থৌদা চুম্না তৌবা, শেল থুমগী ফীভম ফবা খুন্নাই অমবু মালেম অসিনা শকখঙই অমদি ইকায়খুম্নৈ। অসিগুম্বা খুন্নাই অমা ওইনবা ঐখোয়না শান্নববু চাওখৎনবা হোৎনবা অসি লৈবাক্কী মরু ওইবা থৌদাং অমনি হায়না লৌনরি। মরমদি শান্নরোয়শিংদা অসিগুম্বা তমজনীংঙাই ওইবা খুন্নাই অমা শেম্বদা চঙগদবা মগুন য়াওবা নুপা-নুপীশিং অদুগী মচাকশিং য়াওই।

কেপ্তেন আর বি পেম্বর্টননা মহাক্কী 'রিপোর্ট ওফ দ ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়ার ওফ বৃটিশ' কৌবা লাইরিক্তা অসুম্না ইরম্মী মদুদি মণিপুরগী শগোল লান্মীনা নিংথি তুরেলগী নোংপোক্তা ইরাৱাদি তুরেল তোর্ব্বান ফাওবা মায়থীবা পীদুনা অৱাগী কোনুংদা ফিরাল য়ুংখি। মসিগী মরমদি মণিপুরদা লৈবা নুপা খুদিংমক শগোল কাংজৈ শান্নরম্মী অসুম্না শগোল কাংজৈদা হৈশিংলবা শগোল অমদি লান্মীশিং অদুনা অসিগুম্লবা মতিক মগুন য়েক্লবদা উত্তুনা মঙম অসি পাঙথোকখি। মুক্না, শরিৎ শরাক, থাঙ-তা, হিয়াং তান্নবা অমদি অতৈ মশান্নশিং অসিসু য়েক্লবগা লম্বা পাবা ঙম্নবা শগোল কাঙজৈগুম্না মণিপুরদা শান্নরম্মী।

ঐখোয়না মালেম অসিদা কংফালদা, ঈশিংদা, উন মথক্তা অমদি অতিয়া/নোংথক্তা মখল মখা অয়াম্বগী মশান্নশিং উবা ফংলি। মরম অসিনা ঐখোয়না হকচাংগী পাঙ্গল লৌশিং পুথোক্তুনা শরুক য়াদুনা লম্বা তৌনবদা মতম কুইনা শান্নবা ঙম্নবা দম (Endurance) মথৌ তাই। মরম অসিনা এঠলিটিক্স, জিম্নাষ্টিক্স, ফুটবোল, হোকি, ভোল্লিবোল, স্বিমিং, টেনিস, বোক্সিং অমসুং রেষ্টলিংনচিংবা মশান্না খক্তা নত্তনা অতৈ অতৈ মশান্নশিংদসু শান্নবগী মওং অমসুং শান্নবদা চঙলিবা মতমগী মতুংইন্না ইন্দুরেন্স অসি চঙদবা য়াদবা অচৌবা মচাক অমনি।

খূৎলায়গী মতেংনা অথোই অহেন চাংয়েং তৌনবদা হায়বদি শুটিং অমদি আর্চরি (নোংমৈ কাপ্পা অমসুং তেন কাপ্পা) দা খূৎ চুম্বা তান্নবদা খূৎলায়গী মখা য়াম্না পোল্লি। মতৌ অসুম্না এঞ্জিন পানবা অমসুং চাকা পানবা গাড়ীশিংগী লমজেল তান্নবদা হায়বদি কার লমজেল, ফোর্মুলা ৱান্নচিংবা শেল য়াম্না পায়বশিংগী শান্নফম ওইরি। অমরোমদা ইন্দোর গেমস হায়বদি শত্রং, কৈয়েন মরূম কোনবী, কেরোম্নচিংবা ৱাখল মুন্না খল্লগা শান্নবা মশান্নশিং অসিদদি থোইদোক্লা হকচাংগী পাঙ্গল শীজিন্নদে। শান্ন-খোৎনবা অসি করম্বা মফমদগী হৌরকপগে, কনা কনানা হৌদোক্লম্বনো হায়না হংবা য়াবা ৱাহং নত্তে। অঙাং খুদিংমক চেন চোংদুনা শান্নৈ। মখোয় মশেল অমগা অমগা নম্নদুনা, চিংনদুনা, ইন্নদুনা অমদি শান্নপোৎ মুন্নদুনা শান্নৈ। মসি অথোই অহেন তান্নবা নত্তে। খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈগী চহী লিশীং মঙাগী মমাঙদা ইজিপ্তা 'নাইন পিন' (Nine Pin) গী মওং মানবা মশান্না অমা শান্নরম্বগী খুদম ফংই। খৃষ্ট মমাঙ চহী ৪০০০গী মতমদা বোক্সিং থিন্নরম্বগী খুদম ইজিপ্তগী ইথোপিয়া ফাওবদা লৈবা লমদমশিংদা বোক্সিং থিন্নরম্বগী খুদমশিং লৈরমখি। গ্রিসকী ঈথৎ ক্রেট মক্তদা মিনাওনশিংনা খুকন পাঙ্গলনা লৈবাক ঙাক্লিঙৈদা বোক্সিং থিন্নরম্মী। মসিগী খুদমদি খৃষ্ট মমাঙ চহী ১৫০০গী মতমদা শারম্বা ঈশিং হাপ্লবগী লৈতেংবা গল্লা চফু অমদা বোক্সিং থিন্নবা য়েকপা অমা হৌজিক ফাওবা লৈরি। অদুবু হৌজিক্কী মতমগী শান্নবগী খোঙথাং অসিদি ইংলেন্দদা ১৭শুবা সেঞ্চুরিগী অথেংবা মতমদগী হৌখিবনি। ইংলেন্দদা শান্নবগী লূপশিং শেমদুনা শান্নবগী কাঙলোন অমদি পথাপশিং য়াৎথোক্লগা অথোই অহেন তান্নহনবা অসি হৌদোকখি। কুমজা ১৬৬৫গী মতমদা ইংলেন্দ ন্যু মার্কেট টাউন প্লেট হোর্স রেস (New market town plate horse race) হায়না খঙনবা শগোল লমজেল অদু হৌদোকখি। থেমস তুরেলদা পাঙথোকপা দোগগেট'স কোট এন্দ বেদজ রেস (Doggett's Coat and Badge Race) কৌবা হিয়াং তান্নবগী থৌরম অসি কুমজা ১৭১৫দগী হৌরকখি অমদি মমিং চৎলবা এম সী সী হায়না খঙনরিবা ক্রিকেট শান্নবগী কাঙলোন পথাপ শেল্লিবা মার্লেবন ক্রিকেট ক্লব ইংলেন্দদা কুমজা ১৭৮৭তা লিংখৎখি।

য়ুরোপকী মপাঙ্গল কনবা লৈবাক ইংলেন্দ, স্পেন, পোর্টুগল অমসুং ফ্রান্সনচিংবা লৈবাক্লা মায়থীবা পীদুনা মীখা পোলহনখিবা এসিয়া অমসুং অফ্রিকাগী লৈবাকশিংদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী মশান্নশিং হায়বদি ফুটবোল, ক্রিকেট অমসুং হোকিনচিংবা পুশিল্লক্তুনা লমদমশিং অদুগী হান্না লৈরম্বা মপা-মপুগী মশান্নশিংঅদু তপ্না তপ্না মাঙখিবা য়াওই। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি মণিপুরদসু থোক্লি, মনীং-মখা তম্লবা লৈবাক অসিগী মশান্না খোঙ কাংজৈ, মুক্না অমসুং থাঙ-তানচিংবা মশান্না খরা মতম কুইনা মাঙলুবগুম তৌরে। তৌইগুম্বসুং শগোল কাঙজৈদি ইংলিসনা মণিপুরদগী তমখিদুনা মালেম শিনবা থুংনা শন্দোকপীরি। মহারাজ চড়াচান্দ সিংহনা নিংথৌ ওইবা মতমদা পাঙথোকখিবা শগোল কাংজৈ অসি ওলিম্পিক্কী থৌরম অমা ওইনা য়াওখিবদা টিম মরিনা শরুক য়াখি। মখোয় অদুদি গ্রেট বৃটেন, য়ু এস এ, ফ্রান্স অমসুং মেক্সিকোনি। কুমজা ১৯০১দা ইন্দিয়াদা ইংলেন্দগী নিংথৌমচা প্রিন্স-ওফ-ৱেলস লাকপদা মণিপুরগী পোলো টিমনা দেল্লীদা মহাক্কী মমাঙদা শান্নখি। ●